# মণিপুরগী তাঙলবা শুমাং লীলাগী ফাগি পুবা আর্টিষ্ট লাইশ্রম কুঞ্জরাজনা থুপখিবদা...

*- নানি -*

পুন্সিদা কাউবা ঙম্লরোইদবা অমা হায়বা তারবদি, শাংলবা ইম্ফাল তমেংলোং লম্বীগী চৎখিবা অমদি হল্লকপগী খোঙচৎ অদুনি হায়বা তাই। নুমিৎ অদু ঐঙোন্দা য়াম্না স্পেসল ওইরিবগী মরমদি, মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট অসিগা ঐগা পূন্না তমেংলোংদা লৈবা মণিপুর রাইফলস বট্টালিয়ন অদুগী গাড়ীগী ড্রাইভর ফম্লিবা সিটতুগী নাকন্দা ঐগা ফম্মিন্নদুনা অশাংবা লম্বী অদু চৎমিন্নখিবা অদুগা শানখিবা ৱারীশিং অদুনি হায়বা তাই। তশেংবদি খোঙচৎ অদু বট্টালিয়ন অদুগী রেজিং দেগী থৌরমদা শুমাং লীলা উৎপা চৎপনি। লীলাদু অনীনি অমনা ৱেষ্টর্ন যাত্রা মন্দল, মদুগী ওজা এল কুঞ্জরাজ (ময়াম্না গৌরো শাবা হায়রগনা হেন্না খঙনবা) না য়াওরিবা, অদুগা অমনা ঐগী পার্টিনি, নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসন। পার্টি অনীসিগী লীলা অনী রেজিং দে নুমিৎতা উৎলগা নোং ঙাল্লগা অমুক অয়ূক মল্লিঙৈদগী থোরকপগী শাংলবা খোঙচৎ অনী অদুদা পুন্সিদা হকচিন্না য়েক্তুনা লৈহৌরবা খোঙচৎ হায়বদু তাহৌরে। মসিগী মমাঙদা তোঙান্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শানবা কোকথোং অমা লৈখ্রে, অদুবু খোঙচৎ অদুগী ৱারীশিং অদুদি তোঙাল্লি। উরু-উরুবা খুদিংদা থোরকপা ৱারীনি। হৌজিক শানরবসু থোরক্কদবা লৈত্রে। ৱারীগী ৱাহৌদোক খুদিংমক লম্বীগী নাকল-নাকল অনীদা হৌরিবা অশংবা উপালশিং অমদি মদুগী মরমদা শানখিবা ৱারীশিংনি। মখাদা য়েংথখিবদা উখ্রিবা লোক্কী ৱারীনি। মীওইবগী পুন্সিগা ইশম-শম্নবা অমদি আর্টকী ওইবা মচাক কয়াশিং খোমজিনবগী কাউঙমদ্রবা ৱারীনি। ৱারীশিং অসি অদুক থোইনা লুনা খল্লুদ্রবসু হন্দক ওজা অসিনা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তাবদগী থৌদোক অদু মীৎমাঙদা শং-শং চোঙথোরকই। ঙরাংতা চৎমিন্নখিবোই খল্লকই।

চীংগী উপাল-ৱাপাল উরগা ফাওরকপা পূক্লিং ঈথিল কয়া ঈশৈ ওইনা শকমিন্নখি। ওজানা মণিপুরী কলচরগী মতাংদা ৱা য়াম্না হায়খি। ঐখোয়গী তাঙলবা খুল্লং শৈশক্কী মতাংদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া থন্বীখি। খুল্লং ঈশৈগী পূক্লিং ঈথিল কয়াগী মতাংদা শৈরোল কয়াগা লোয়ননা লীবিরমখি। ওজাসি কা হেন্না খোঞ্জেল লৈত্রবসু ঈশৈদি নিংথিনা শকপা হৈ। অদুনা ঈশৈ ওইনা ওজানা নহা ওইরিঙৈ মতমগী ৱারীগা লোয়ননা শকপীরম্মী। কয়াদা মমল য়ামখ্রবা নুমিৎ অমা ওইখিবনো? অশংবা চিঙ্গোন কয়া উরুবদা উমংগী ৱারী লীবিখি। চাবা ফংলক্ত্রবা মতমদা চীংদা হৌবা চাবা য়াবা মনা-মশিং কয়াগী মরমদা হায়বীখি। ঐখোয়না খঙদবগী ৱানি চীং হায়বসিদি অৱাৎপা লৈতে, চানীংবা হৈ মখল, এঞ্চাং ওইনা থোংদুনা চাবা য়াবা পান্বী মখল কয়া মশীং নাইদনা লৈ। চীংগী ৱারী, উমংগী ৱারী কয়া লীবীদুনা তাহনবীখি। চীংদা চৎপদা নাতৈ চাদবদগী অহিং য়ারেকপা তারবদা করম্না লেক্কনি, করি চাগনি হায়বা এক্সপরিয়েন্স কয়াগী ৱারী লিখুন তাকপীরম্মী। ওজাগী পুন্সি য়াম্না ৱানা হৌরকখিবগী ৱারী তাখি, অরোইবা মতমদসু অদুক য়াইফ-থোইবা অমা ওইবা ঙমখিদে। মীপূম খুদিংমক্তা ওজা অসিবু খঙই, নুংশিবী, মহাক য়াওবা লীলা মীয়াম্না পাম্না য়েংনখি। অদুবু মরায়বক্তদি নুংঙাই-য়াইফথোইবা অমা ওইয়ু তল্লকখিদে। অদুনা মখল কয়াগী হিংনবগী



পাম্বৈ থিদুনা শিনফম কয়া অমদা শিনসুরম্মী। ওজা অসি উ শূবসু নীংথিনা হৈ, য়ূমগী ঈ কূপ্পসু নীংথিনা হৈ হায়না তাকপীরম্মী। ওজানা শূরমদবা শিনফম ইরৈ লৈরমদে।

মহাক অদুক য়াম্না মরাইবক ফবা মীশক অমা ওইখিদে। মহাক্কী মতমদা হৌমিন্নরকপা কয়াগী তুংইনবা ওইনা লৈখি। মহাক মশানা মকোক থোংনা থবক তৌরকপা ঙমখিদে। মণিপুরদা মতম অমা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালনা মীংথোন্দুনা শেমখিবা রেদিও প্রোগ্রাম অমদগী মমিং লৈখিবা, অদুগা মীয়াম্না খ্বাইদগী খোইদাবা পর্ফোর্মেন্স অমা ওইখিবা ‘ইপোম’ হায়রিবা অসিদা মহাক্কী সাইন তৌবা ঙমখিদে। য়াওবদি য়াওরম্মী অদুবু কা হেন্না মমিং লৈবা ইপোমগী আর্টিষ্ট অমা ওইবদি ঙমখিদে। মসিগী মরম খরা লৈরমগনি খল্লি। তশেংনা হায়রবদা খরুং মফম চাদবগী খুদোং চাদবা খরা অহল অসিগী পুন্সিদা থেংনখিবা মাল্লি। অদু ফনা ওইরবসু অহল অসিগী তোপ-তোপ্পা পোকপদগী পীথোরকপা মতিক-ময়াইদি মঙ্গে থেঙ্গুনা য়ৈশিন্দুনসু চঙবা ঙমখিদে। তোমথিন ওইনা মণিপুরী শুমাং লীলাদা ফুগাইনা শাৎলকখি। মহাক য়াওবা লীলাগী কাঙবু লীলা য়াম্না চৎখি। মহাকপু য়েংনীংবা, মহাক্কী ফাগি তানীংবদগী লীলা য়াম্না কৌনখি। তৌবতবু মহাক্না য়াম্না নীংথিনা পামিন্নদুনা লীলা তৌমিন্নরম্বা মহাক্কী লোঙ্গাগী আর্টিষ্ট কয়ানা মথং-মথং লীলাদগী পোত্থাখিবা অমদি লৈখিদবা অসিনা মহাক্কী মতিক ময়াইসু অসুম-অসুম শোন্থরকখি। অদুবু মহাক্না কূম্লম্বা লীলা খরদা মতেক অমতং ওইরবসু উৎপীরম্বা, থন্বীরম্বা ফাগি কয়াদি ঙসিসু অহিংবা ওইনা লৈহৌরি। অহল অসিনা ঙল্লিঙৈগী মতমদা শান্নখিবা লীলা কয়াদা মহাক্কী এক্টিং অমদি মহাক্কী ফাগি কয়া কাউবা ঙমদনা লৈরি। খরদং মমিং পল্লবদা - বি এ মপা লম্বোইবা, সনাগী কৈরাক, ইম্ফালগী বাবু, শকমান্নবা, ৱাকচীংগী গুলাপ, ঈয়াইথক্কী থম্বালনচিংবা লীলাশিং পনবা য়াই। নুপী শারগা একিটং তৌবদা য়াম্না পকচবা, নোকনীংবা কয়া লৈ। মহাক্কী মশক্তা খ্বাইদগী য়েংবা নুংঙাইরিবসি মহাক্কী য়াম্না খুবা মমিৎ মচা অদুনা উইথরপ তৌরগা মখয়াৎ অনী শাংদোল্লগা মখোল মেঙ-মেঙ লাউনা ঙাঙবা অদুনি। মী য়াম্না পিকই, পিক্লবসু মহাক্কী অমেঙবা মখোলনা য়ামখ্রবা অয়েংবা পূম্নমক্কী নাকোং য়ৌহনখিদবা লৈতে। মহাক্না ঙাঙবা তারগা পেন্না নোক্কদবগী য়া কাথোক্তুনা ঙাইরিবা অয়েংবা পূম্নমকপু চপ মান্নবা থাক্তা নুংঙাইহনবা, নোকহনবা ঙম্বা অচঙবা আর্টিষ্ট অমনি।

অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙ, কুমজা ১৯২৩দা পোকখিবা মশক নাইরবা আর্টিষ্ট অসি কুমজা ১৯৪১দগী শুমাং লীলা য়াওবা হৌরকপনা কুমজা ২০০৭ ফাওবা মতিং লৈনা লীলা য়াওরম্মী। থৱায়না লীলা য়াওবা পামজরবসু মদুদগী ফংলকপা শেনফমনা ইমুং-মনুং পুবা ঙমদবনা সাইকল অমা থৌরগা ঙা মচা য়োনবা লৈরক খুল্লক থুংনা চৎলম্মী। মীগী ফার্মদগী ঙা মচা লৌরুরগা অপিকপা শেন্দোং খরখক ফংনবা হোৎনজরুরগা, অমুক লীলা শান্নবা চৎলি। য়াম্না ৱানা পুন্সি লেল্লকই। মহাক্কী পুন্সিদি থবকনি, থবক শূবা নোম্বা য়াম্না কল্লি। মহাক্না হেক হায়রম্বা অসি - “থবক শূবা নোম্বা কাউগনু, শূবা নোম্বা কল্লিমখৈ পুন্সি নুংশাংগনি, মীনসু উশিৎকনি” ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোক ঙসিগী নহাশিং অসিনদি মমল য়াওদনা খন্নরম্বা য়াই। অদুবু অহল অসিনা হায়রম্বা ৱাফম অসিমদি মতম চূপ্পগী ওইনা আর্টিষ্ট অমনি হায়না থোরক্লিবশিং অসিনা লৌফম থোকই। শুমাং লীলাদতা নত্তনা লমদমসিগী তাঙলবা পর্ফোর্মিং আর্টস ফোর্ম কয়াদসু অহল অসিনা শরুক য়ারকখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি অহল অসিনা নহা ওইরিঙৈদা য়াম্না পামজনা খোংজোম পর্ব্ব হায়বা শৈশক অসিসু তল্লকখি হায়না হায়বীরম্মী। খোংজোম পর্ব্ব শকপসু নিংথিনা হৈবা মীশক অমা ওইখি। অদুবু শিনফম অদোমদদি কন্না মায় ওনশিনখিদে। মসিদা নত্তনা পুঙসু নিংথিনা য়ৈরকই। অদুগা লাই হরাউবগী তাঞ্জুলসু শারম্মী। তাঞ্জুল শাবা হায়বা অসি এক্টিং হৈবতা নত্তনা মশা য়াঙবা খুল্লং ঈশৈতা নত্তনা শৈশক কয়া শকপা নিংথিনা ঙম্বা অমসু মথৌ তাই। অদুনা তাঞ্জুল শাবদসু মহাক অসি মীয়াম্না পাম্নখি। অদুবু কা হেন্না মায়কৈ অসোমদসু চঙশিনখিদে। নহা ওইরিঙৈ মতমদদি তম্বা য়াবা, হৈজিনবা য়াবা হৈরকখ্রবা মীশক অমা ওইখি। তম্বগী পেনবা নাইদে হায়নসু হায়বীরম্মী। তল্লগা হৈজিনবদা অমত্তা লেম্না মাঙলোই হায়না অহল অসিনা পাউতাক ওইনা পীবিরমখি। মহাক্কী পুন্সিদা লূপ অমদি অতৈ ওর্গনাইজেসন কয়ানা বেষ্ট কোমেদিয়নদগী হৌরগা মখল কয়াগী এৱার্দ, শকখঙ চে কয়া পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। মসিগী মনুংদা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা পীবা মনা, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা পীবা মনা কয়া অমসু য়াওরি।

তাঙলবা আর্টিষ্ট অসিনা মশাগী চহী ৯৬ শুরকপদা হন্দক খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা লোয়ন-তিন্নরম্বা অমা ওইনা অমদি লমদমসিগী আর্টিষ্টশিংবু নুংশিজবা অমা ওইনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। অহল অসিগী থৱায় মিরেলনা মপু মাগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা, নুংঙাইনা পোত্থাদুনা লৈবা ওইসনু হায়বা ৱাফম অসি থম্মোয় শেংনা থমজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯। ১১। ২০২০ইং, নোংমাইজিং; নুমিৎয়ুংবা পুং ১২.৪৮ ফাওবা হিয়াঙ্গেগী ১৪নি পাল্লি মতুং থানিল চঙলনি।

**মেষ :** অয়ুক্তা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈ। অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি, মীংচৎ ফংজগনি অমদি পল্লম্বা থবক খরদি পাংগনি। কাইনবা য়াবদি লৈ-পূক্লিং ফাথৌ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - হায়জবা তাবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** থেংলপ্পা নীংবা থুংবা, ৱাখল থোকপা অমদি লান্দবনা মায় পাকচৌ হায়বা নুমিৎনি। অহেনবা লৌশিং তানশিনবা য়াগনি। পাউ নুংঙাইতবা তাগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীনা ইনশিনবা লৌগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিথুন :** লন অমদি নচা ননাই চাওখৎপগী নুংঙাইবা লৈগনি। কনানসু লাকচবা ঙমলোই অমদি মরী মতা/নক্লবনা চানবীগনি। অফবা ৱারেপ লৌবা ঙমগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** থবক পাংগনি, শেল-থুম কান্নগনি অমদি অঙম্বনা চানবীগনি। অকিবা থাদোকউ অমদি নখা থাবগী মতেং লৌবা য়াগনি। ঙক কনবদি অচানবা কাইনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা মপা চাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** থেংলপ্পা মীপাইরম্বা কোকচগনি অমদি য়েৎনরম্বসু ফগনি। হন্থবা লোয়নবা অমদি অখঙ অহৈ শাবদি মাঙজবতা থুংগনি। ইকায়খুম্নবা ফংবসু লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কন্যা :** অশা চাওখিনু অমদি খূৎচাও থাগনু। ৱাচৎ ৱানোমদি কান্নগনি অমদি লেংদবা লন লেপশিনবগী নুংঙাইজবা লৈ। হন্থবা মী লোয়নরদি ফত্তবা তৌনিংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা থোইনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** অয়ুক্তা নীংবা থুংগনি অমদি অফা খোঙশাল লৈ। হকচাং নুংঙাইবা হেল্লি অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা লৈগনি। নাপল তৌরদি মী খৎননি অমদি লন মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অনম তান্দ্রদি ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** মায় পাক্কনি-চিংনদনা খূৎচাও থাবা য়াগনি অমদি ওজা-গুরুনা চানবীগনি। ৱাফংনবদি তৌগনু ইকায়বা নংবা য়াবা লৈ-অরং অরাক পীথোক্কনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**ধনু :** থেংলপ্পা মতম মাঙবা ফরনি, মীচং লৈগনি অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি। খল্লুদবা কান্নবসু ফংজৌ হায়বা লৈ অমদি মরুপ ফংজগনি। নক্লবনদি য়েংশিল্লি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মকর :** মীনা লাকচবা ঙমলোই, মাঙলোমদা লেপ্পা লৈতনা চংশিনবা য়াগনি। লৈঙাক্কী লম্দা ওইজবা ফংগনি। অফবা মফম ফংজগনি অমদি মরুপ লোয়নবা ফৈ।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশি মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** পুং ১১ ফাওবা অনৌবা থৌরম পাংবা য়াগনি, মায় পাক্কদবা অফবা খোঙশাল লৈ অমদি য়েক্লববু খুদুম চনবা ঙমগনি। অঙম্বনদি নরলদা য়েংথি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অশাওবনা মাঙজগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মিন :** থেংলপ্পা নীংবা থুংজৈ অমদি খাংবা কনবৈ কান্নবা ফংগনি। অদুবু পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎলি অমদি ৱা য়াম্না ঙাঙগনু। থেংলপ্পা কান্নবা খরা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - চোপ্পা নংগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স



নোংমা তোমচা য়ু থক্লগা ময়ুমদা হল্লক্লম্মী। মপানা চৈদনবগীদমক মহাক্না লেপটোপ হাংদোক্তুনা লাইরিক পাবা শাশিন্নৈ।
মপা : ঙসিসু নঙ য়ু থক্লগা লাকপরা ?
মচা : থক্তে বাবা।
মপা : অদুগা করিগী সুটকেস হাংদোল্লগা ফম্লিবনো?



হবলদার : সর, ঐখোয়না য়ুঙাংতনা পিক থল্লবা ট্রক অমা ফারে।
ইন্সপেক্টর : ভেরি গুদ য়াম্না ফবা ৱানি।
হবলদার : হৌজিক মখা তাবা থবক করি তৌ হায়বনো সর?
ইন্সপেক্টর : ওকে, হৌজিক সোদা পুবা ট্রক অমা অদুগা য়ুগা মারিবা য়াবা চান-থক্লবা পুবা ট্রক অমগা ফাও ....!

চাকনিবা : নুপা অমা লাক্লগা ঐঙোন্দা নোংমদা শেল কয়া তানবগে হংই। অদুবু ঐনা তুমিন্না পাউখুম পীদনা লৈবনি।

অনীশুবা চাকনিবা : করিগী নঙদি মানা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীদ্রিবা।
চাকনিবা : ঐনা চিংনবা লৈ মদুদি মীওই অদু ইনকম টেক্সকী মরি লৈনবা মীওইশিং ওইরমগদরা হায়না !




দোক্টর করিগুম্বা ৱাফম অমগী শাওদুনা লৈরম্মী তাঞ্জা অদুদা অনোইবা নুপী অমা লাক্তুনা হায়।
পেসেন্ট : দোক্টর ঐ হকচাং য়াম্না থুনা পাথদুনা ফিগর য়াম্না থুনা তাহন্নিংই। করি তৌরগা য়াম্না থুনা হকচাং পাথবা য়াগনি?
দোক্টর অদুনা শাউরদুনা পেসেন্ট অদুবু তুমহল্লগা ঈ বোটল ৫ লৌথোকই।




চাওতোন উমং অমদা চৎলিঙৈদা লিন অমনা মখোংদা চিক্লম্মী।
চাওতোন্না শাওরদুনা মখোং অদু অমুক লিনগী মনাক্তা থমজিন্দুনা হায়, চিকউ নঙনা ঙমজবা মখৈ চিকউ।
লিন অদুনা অমুক হন্না মরি-মঙারক চিকই অদুগা ৱারদুনা লিন অদুনা হায়, করিনো ঐনা মরি-মঙারক চিক্লবনি নঙদি করিসু তৌদে নঙবু মীরা নৎত্রগা ভুটলা?
চাওতোন : ঐ মিনি অদুবু ঐগী খোং অসি ককথৎখিবদগী উনা শাবা খোং অমা পানশিনবনি...!


☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা ড্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।




Title : Parrot
By : Akoijam Luxmi Devi
Class : III Sec : B Roll No. 16
School :




Title : Rose
By : Mayanglambam Yaiphabi Chanu
Class : II Sec : D Roll No. 51
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Daffodil
By : Sumila
Class : Sec : D Roll No. 13
School : Standard Robarth Hr. Sec. School




Title : Puppy
By : Alina Oinam
Class : II Sec : A Roll No. 40
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : Pokemon Victini
By : Jasleen Yaikhom
Class : II Sec : Roll No. 20
School : Heritage Convent



Title : Scenery
By : Lanchenba
Class : II Sec : A Roll No. 31
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Keep Social Distancing
By : Asem Golson Singh
Class : V Sec : A Roll No. 7
School : Mira Public School



Title : Young Girls Fashion
By : Savella Koijam
Class : II Sec : Roll No. 10
School : Career English Academy



Title : Enjoying Rain
By : Supriya Potshangbam
Class : I Sec : E Roll No.
School : Mitra Academy, Bengaluru